# ইস্তানবুলদা পুলিসতা কার বোম এটেক চথখদুনা ১১ হাৎখ্রে




ইস্তানবুল, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

টর্কিগী খ্বাইদগী চাউবা সিটিদা চথবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা হিষ্টোরিক ওইরবা ইস্তানবুলগী ময়াই ওইরপ্পা টর্কিশ পুলিসকী বস অমদা মপাঙ্গল লৈরবা বোম অমা পোকখায়বদা ওফিসর তরেৎ অমসুং সিবিল্যান মরি শিখ্রে।

কার বোম অমনা এন্তি-রাইঅট পুলিস পুবা বস অমা টার্গেট তৌখি অমসুং বস অদুনা সিটিদুগী টোপ টুরিষ্ট সাইট কয়াগা নক্নুনা লৈবা সেন্ট্রেল বেয়াজিট দিষ্ট্রিক্ট ফাওরকপদা এটেক অদু চথুরকখি হায়না ইস্তানবুল গভর্নর ভাসিপ সহিননা টর্কিশ টেলিভিজনদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা হায়খি।

এটেক অদুদা মীওই ৩৬ শোকখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা অহুমগী ফীভম লুরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এটেক অদু হান্নদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না টার্গেট তৌখ্রবা কর্দিশ মিলি-টেন্টশিংগী খুৎকী মমি তাখি তৌইগুম্বসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী জিহাদিষ্টশিংনসু হৌখিবা চহীদা টর্কিশ সিটিশিংদা এটেক কয়া চথখিবা লৈখ্রে। এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা খুদক্কী ওইনা ক্লেম তৌরকখিদে।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, এটেক অদু মমিং লৈরবা সুলেমানিয়ে মোস্ক য়াওনা সিটি অদুগী মরু ওইবা টুরিষ্ট সাইটশিংদগী মতেক খরা খোঙনা চৎলগা লৈবা ভেজনেসিলর মেট্রো ষ্টেসনগী মনাক্তা থোকখি।

সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং ওইনা মেট্রো ষ্টেসন অদু থিংজিনখ্রে।

বোম অদুনা পুলিস ভেহিকল অদু মশুপ মশুপ্পা অকায়-অতোয়গী শরুক ওলহনখি অমসুং পোকখায়বগী ফোর্স অদুনা মনাক নকপা দুকানশিংগী থোঙনাওশিং হুমদোকখি।

থৌদোক থোকফমগী মনাক্তা খামদুনা থল্লিবা কারশিংসু অকায়-অতোয় থোকখি। টেলিভিজন ইমেজশিংনা বোম এক্সপার্টশিংনা পোকখায়হৌদবা বোম থিবগী শক্তম উৎখি।

বোম পোখায়ফমগী মনাক্তা লৈবা ইস্তানবুল য়ুনিভর্সিটিগী ইগজামিনেসন কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, নোংমৈ কাপ্পগী মখোল খরসু তাখি হায়রি।

বোম পোকখায়বা অদু মীরৈবাক্কী লমকোয়বশিংনা য়াম্না পাম্নবা ষ্টেন্দর্দ হোটেল অমগী মায়োক্নবদা থোকখিবনি। সেলাল অগা কোনাসি হোটেল হায়না কঙনবা হোটেল অদু ওটোমান বিল্ডিং অমদগী ওন্থোকখিবনি।

মোস্ককী লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামদা এরিয়া অদু থাদোক্নবা খঙহনখি অমসুং মীয়াম্না মফম অদু থাদোক্নখ্রবা মতুংদা চিংননিঙাই ওইবা ভেহিকল অমদা বোম অমা কন্ট্রোল তৌদুনা পোকখায়হনখি।

"ইস্তানবুলগী গভর্নর অমসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ইফকান অলানা টেরর এটেক অদুগী মরমদা প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিমদা ব্রীফ তৌখি হায়না গভর্নরগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ষ্টেটনা রন তৌবা টি আর টি টেলিবিজনগী ইন্টরভ্যু অমদা ফোরন মিনিষ্টর মেলভল্যুট কাভুসোগলুনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং টর্কিনা মওং খূদিংমক্কী টেররিজম্বু মায়কৈ খূদিংমক্তগী থেংনগনি হায়খি।

এটেক অদু কনানা, করম্বা গ্রুপনা পাঙথোকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং চহী অসি হৌখিবদগী টর্কিদা এটেক কয়া পরিং নাইনা চথুরকখি অমসুং লৈবাক অদুগী সিটিজনশিংবু মীপাইহনখি লোয়ননা লৈবাক অদুগী টুরিজমদা চাউনা চৈথেং পীখি।

চহী অসিগী অঙনবদা অঙ্কারাদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অনীদা মীওই দজন কয়াগী পূন্সি লোমখি। এটেকশিং অদু অথিংবা থমখ্রবা কর্দিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি (পি কে কে)দগী মচেৎ তাখিবা রেদিকেল ফেক্সন কর্দিষ্টান ফ্রীদম ফেলকোন্স (টাক)না ক্লেম তৌখি।

হৌখিবা থাদা ইস্তানবুলদা মিলিটরি ভেহিকল অমবু টার্গেট তৌদুনা রিমোট শীজিন্নদুনা চথখিবা কার বোম এটেক অমদা লান্মীশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখি। এটেক অদু পি কে কেনা ক্লেম তৌখি।

## সাউথ চাইনা সিগী ৱাথোক্তা কন্সট্রক্টিব থৌদাং লৌনবা চাইনানা য়ু এসতা হায়খ্রে



বৈজিং, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী ঈং-চীকপা ফীভম কন্ননবা ৱাশিংটননা কন্সট্রক্টিব ওইবা থৌদাং অমা লৌগদবনি হায়না চাইনানা ঙসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে। অমরোমদা, য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারী শাননবা অমসুং ঈং-চীক্না লৈখায় তানবা আপিল তৌখ্রে।

চহী খূদিংগী দোল্লর ত্রিলিয়ন মঙাগী লল্লোন ইতিক্কী লম্বী ওইনরিবা সাউথ চাইনা সিগী মফম অয়াম্বা চাইনানা ক্লেম তৌই।

চাইনানা ক্লেম তৌরিবা সাউথ চাইনা সিগী মফম কয়া ফিলিপিন্স, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া, টাইৱান অমসুং ব্রুনৈসু ক্লেম তৌরি লোয়ননা লৈবাকশিং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মিলিটরিগী অনকপা মরীশিং থম্নে।

সাউথ চাইনা সিদা লৈরিবা চাইনিজশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ইথৎ ময়া নক্না য়ু এস মিলিটরিনা পেট্রোলিং পাঙথোকপবু চাইনানা মখোয়দা কায়হৌবগী থৌওংনি হায়না লৌদুনা লাক্লি। অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনদি পেট্রোলশিং অদু নেভিগেসনগী নীংতম্বা কন্নবগীদমক্তা পাঙথোক্লিবনি হায়রি।

বৈজিংদা অৱাংবা থাক্কী সিনো-য়ু এস ৱারী শানবা লোইশিনবদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোরন মিনিষ্টরশিংদগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংবা চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট ওইরিবা ষ্টেট কাউন্সীলর য়াং জিয়েচিনা হায়খি, চাইনাগী লমগী সোভরন্টি অমসুং মেরিটাইম রাইটশিং ঙাক শেনবা অমসুং কঞ্জনগী রাইট লৈ।

"চাইনানা ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা লৈরিবা লৈবাক খূদিংমক্কী নীংখা তৌনা নেভিগেসন তৌবা অমসুং প্লেন পাইবগী রাইট অদু ঈকায় খুম্নে অমসুং ঙাক শেল্লি" হায়না য়াংনা পাউমীশিংদা হায়খি।

য়েৎনরিবা ৱাফম খূদিংমক হীরম অসিদা চেন্নরিবা পার্টি খূদিংমক্না অমগা অমগা ৱা তানবগী খুথাংদা লৈখায় তানগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

"মরম চাবা লমগী য়েৎনবশিংদা সাইদ লৌদবা হায়বা য়ু এসকী ৱাশকতু চপ চানা ঙাক্লা চৎকনি অমসুং সাউথ চাইনা সিগী ঈং-চীকপা অমসুং তং-তাবগী ফীভম কনবদা কন্সট্রক্টিব ওইবা থৌদাং অমা লৌগনি হায়না চাইনানা থাজে" হায়না য়াংনা হায়খি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট কেরিনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ চাইনা সিগী লমগী ফিচরশিংগী সোভরন্টিগী মতাংদা পোজিসন অমা লৌবগী ৱাফম লৈতে তৌইগুম্বসুং ক্লেম তৌরিবা খূদিংমক্না পূক্নিং ফাথগদবনি হায়না লৌই।

"ইস্যু খূদিংমক্কী মতাংদা ৱারী শানবা অমসুং রুল ওফ লোদা য়ুম্ফম ওইদুনা ঈং-চীক্না লৈখায় তাথোক্নবা হোৎনবদা অমেরিকানা শৌগৎলি অমসুং পার্টি খূদিংমক্না নাকল নাম্মগী য়েংলগা লৈরিবা ফীভমদা অহোংবা পুরক্নবা ষ্টেপ লৌবগী থবকপু হকচিন্না লৌই হায়বা ৱাফম ঐখোয়না নৌহৌননা নীংশিংলি" হায়না কেরিনা হায়খি।

মহাক অমসুং য়াংনা নেভিগেসন অমসুং ওভরফ্লাইটকী নীংতম্বা ঙাক্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা মখোয়গী গভর্ণমেন্টনা থবক তৌবদা য়ানরে হায়না কেরিনা মখা তাখি।

## মাল্ডিভসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টেররিজমগী চার্জদা চহী ১০ ফাদোক তাহনখ্রে




মালি, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

মাল্ডিভসকী কোর্ট অমনা লৈবাক অদুগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্টবু নোংমৈ পায়রম্বগা মরী লৈননা টেররিজমগী মরালদা কনভিক্ট তৌখ্রে অমসুং চহী ১০ জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

মিদিয়াগী মীওইশিংবু চঙহন্দনা চথখিবা সেসন অমদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ক্রিমিনেল কোর্টনা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা প্রসিদেন্ট য়ামিন অব্দুল গায়ুম ২০১৩গী মীখলদা মায় পাকখিঙৈদগী অহমদ অদিবনা টেররিজমগী মরাল অমদা জেলদা থাজিনবা মরিশুবা মশক নাইবা পোলিটিস্যান ওইরি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট মোহমদ নাশিদ, হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর মোহমদ নজিম অমসুং মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী মকোক শৈইক ইমরান অব্দুলা অসি মতম শাংনা ফাদোক পীখিবা অতৈ মশক নাইবা মীশকশিংনি। নাশিদকী ওইনদি বৃটেনদা চঙজফম ফংহনখ্রে।

কোর্টকী প্রোসেসতা অরান অহুই কয়া য়াওখিবগীদমক্তা কেসশিং অদুবু ক্রিতিসাইজ তৌখি। হৌখিবা চহীদা প্রসিদেন্টকী স্পিদবোট অমদা বোম পোকখায়হনখিবগা মরী লৈননা অদিবনা হৌজিক গায়ুমবু হাৎননবা হোৎনবগী মরালশিং মায়োক্নরি।

কুমজা ২০১৩গী মীখলদা মহাক্কী রন্নিং মেট ওইখিবা মীশকপু মফম লৌথোক্লবা মতুংদা গায়ুমনা মহাক্না থাজবা নহা অমা ওইখিবা অদিবপু হৌখিবা জুলাইদা মহাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট হাপখিবনি।

তুংদা ওথোরিটিশিংনা মহাকপু লৈবাক অদুগী টেররিজম লোগী মখাদা অথিংবা থল্লিবা খুৎলাইশিং পায়রম্বা অমসুং করপ্সন তৌবগী মরালশিং শীখি।

গভর্ণমেন্টনা হায়রি মদুদি, ঙক্লিঙাই ওইবা মওংদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু প্রসিদেন্ট অদুবু হাৎননবা হোৎনবা অমনি।

অমরোমদা, এফ বি আইনদি থাঙ্গেশেংনা বোম পোকখায়খিবগী ইভিদেন্স থেংনদে হায়খি। নাশিদনা হৌজিক বৃটেনদা লৈরিবা গায়ুমগী রন্নিং মেট মোহমদ জমিল অমসুং নাজিমগী সপোর্টরশিং অমসুং অদিবকা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলদা গায়ুমবু মফমদগী চিংথুনবগী পান্দমদা লোইদা য়ুনাইটেদ ওপোজিসন অমা শেমখি।

মাল্ডিভস অসি মতম শাংনা তৌনিংবদা তৌবা লিদরশিংনা লৈঙাকপগী পুৱারী লৈবা লৈবাকনি। গায়ুমগী মমা তিন্নদবা ময়াম্বা ওইবা মৌমুন অব্দুল গায়ুমনা লৈবাক অদুবু কুমজা ১৯৭৮দগী ২০০৮ ফাওবা লৈঙাকখি। মহাক লৈবাক অদুগী অহানবা মল্টিপার্টি ইলেক্সনদা নাশিদনা মায়থিবা পীখিবনি।

সিটিং জজ অমবু জেলদা থাজিনবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা চয়োল কয়া মীয়ামগী ঈহৌ লাকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১২দা নাশিদনা মফম থাদোকখি।

## সেক্স স্লেভশিং ওইয়ু য়াদবগী আই এসনা য়াজিদি নুপীমচা ১৯ মৈ থাদুনা হাৎখ্রে



বাঘদাদ, জুন ০৭ (এজেন্সী) : আই এস আই এসনা নুপীমচা খরা সেক্স স্লেভশিং ওইনা শীজিন্নবগীদমক্তা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থমখি। তৌইগুম্বসুং মিলিটেন্টশিংদুনা নুপীমচাশিংদু মখোয়গা লোয়নবগী ৱাফমদা য়াদবগীদমক্তা মোসুলদা হাৎতোকখ্রে হায়রি।

ভীক্টিমশিং অদু হৌখিবা শগোলশেনদা মোসুলদা মীয়াম মমাঙদা মৈ থাদুনা হাৎখি হায়না এ আর এ ন্যুজনা এক্টিভিষ্টশিং অমসুং ৱিটনেসশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি। "মখোয় আই এস মিলিটেন্টশিংনা লোয়নবা য়াদবগীদমক্তা চৈরাক পীখিবনি" হায়না মিদিয়া এক্টিভিষ্ট অব্দুলা অল-মালানা এ আর এ ন্যুজদা হায়খি।

"মীওই চা কয়াগী মমাঙদা নুপীমচাশিংদু মৈ থারগা হাৎখি। কনামত্তনা মখোয়বু তমথিরবা চৈরাক অদুদগী কন্ননবা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমখিদে" হায়না ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্টতা গ্রুপ অদুগী নোর্থ ৱেষ্টর্ন ইরাক্কী সিঞ্জরবু খুদুম চনখিবা মতমদা আই এস আই এসকী জিহাদিষ্টশিংনা য়াজিদি কাঙলূপকী নুপীমচা ৩,০০০ লোম সেক্সকী মীনাইশিং ওইনা ফাজিনখি। মিলিটেন্টশিং অদুগী থৌওংদা ইরাকি কর্দিষ্টানগী দুহোক অমসুং ইর্বিলগী মীওই ৪০০,০০০ রোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি।

টেরর গ্রুপ অদুনা অচৌবা লান্দা অদুদা য়াজি দি কাঙলূপকী মীওই কয়াবু শা-ঙা হাৎপদৌনা হাৎখি, নুপী কয়া ফাখি অমসুং চহী নৌরিবীশিংনা অয়াম্বা ওইবা নুপী কয়া সেক্স স্লেভশিং ওইনা থমখি।

কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না আই এস আই এসনা হৌজিকসু ফাখিবা য়াজিদি নুপী অমসুং নুপীমচা ১,৮০০ রোম ইরাক অমসুং সিরিয়াদা থল্লি। কুমজা ২০১৪দা খোঙলৈ থুনা চথখিবা এটেক অদুদা আই এস আই এসনা মোসুলবু পায়শিনখি অমসুং গ্রুপ অদুনা লাউথোকখিবা কালিফেটকী কেপিটেল ওইহনখি। মখোয়গী কালিফেট অদু ইরাক অমসুং সিরিয়াগী পাক চাউরবা লমগী শরুকশিং কোনশিনখি।

য়াজিদি কাঙলূপ অসি চহী চা কয়া ইরাক্কী নিনেভা প্রোভিন্সতা লৈরকখিবা অরিবা মীওই গ্রুপ অমনি। য়াজিদিগা লাইনিং-লাইশোন লম্বীদা খৃষ্টানিটি, জেরাষ্ট্রিয়ানিজম অমসুং ইস্লামগী মচাকশিং য়াওই। মদুনা মরম ওইদুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা মখোয়বু দেভিল খুরুম্বশিংনি হায়না লৌনৈ।

মীওই মিলিয়ন তঙ্খায় অমরোম ওইবা য়াজিদিগী মীশিং অয়াম্বা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা কর্দিষ্টান হায়না খঙনবা ইরাক্কী অৱাংদা লৈবা ওটোনোমস এন্তিটিগী মনুংদা শাবা কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

## ইস্লামিষ্ট এক্সত্রিমিষ্টশিংগী মথক্তা চথরকপা এক্সনদা বাংলাদেশ পুলিসনা মীওই ৩ হাৎখ্রে

ধাকা, জুন ০৭ (এজেন্সী) :

কা হেনবা তৌবশিংনি হায়না চিংনবশিংনা পরিং নাইনা চথুরকখিবা হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা মীহাৎশিংদা মশাগী চহী ৭০ শুরবা হিন্দু লাইনিংবা অমবু খ্বাইদগী নৌনা হাৎখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশ পুলিসনা ঙসি ইস্লামিষ্ট টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা থীবা হুম্বা অমসুং ফা পুনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎখ্রে।

গভর্ণমেন্টগী মিনিষ্টর অমনা হন্দক্তা চথরকখিবা এটেকশিংবু ইজরেলগী মোসাদ স্পাই এজেন্সী চেন্নবা লৌতুনবা অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বাংলাদেশকী জিহাদিষ্ট গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংগা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নখ্রে হায়রি।

ধাকাদা জামায়েটুল মুজাহিদিন বাংলাদেশ (জে এম বি)গী অৱাংবা থাকী মেম্বর অনী নোংমৈ কাপ্নবদা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমসু নোর্থ ৱেষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্টতা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখ্রে।




সিয়াগী মোস্ক অমদা বোম পোকখায়হনখিবা অমসুং লিবরেল প্রোফেসর অমা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওনা হন্দক্তা চথখিবা এটেক অয়াম্বদা কেপিটেলদা হাৎখিবা জে এম বিগী মেম্বর অনীসু শরুক য়াখি হায়না পুলিসকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর এম আর খালিদনা হায়খি।

অহুমশুবা ভীক্তিম অদু নোর্থ ৱেষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট রাজ সহিগী গোদাগরি টাউনদা থোকখিবা অতোপ্পা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা হাৎখিবনি হায়না লোকল পুলিসকী চীফ অবু ফোরহাদনা হায়খি।

লাইনিং লাইশোনগী মাইনোরিটিশিং অমসুং সেক্যুলর এক্টিভিষ্টশিংদা চথরিবা এটেকশিং লোইশিন্নবা বাংলাদেশ ওথোরিটিশিংগী মথক্তা মালেমগী অকন্নবা প্রেসর লাকখি। হৌখিবা চহী ৩ লোম অসিদা লৈবাক অদুদা ইস্লামিক এক্সত্রিমিষ্টশিংনা মীওই ৪০ হেন্না হাৎখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা মীহাৎশিং অদু লৈবাক অদুগী কা হেনবা চৎপা ইস্লামিষ্টশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না মরাল শীখি লোয়ননা আই এস আই এস অমসুং অল-কাইদাগী সাউথ এসিয়া ব্রাঞ্চনা এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা ক্লেম তৌরকখিবশিংবু য়াখিদবনি।

এক্সত্রিমিষ্টশিংনা হাৎখিবা খ্বাইদগী নৌবা মীওই অদু চহী ৭০ শুরবা হিন্দু লাইনিংবা অমনি। মহাক্কী মকোক অদু মশাদগী কেনগদবগী ফীভমদা লৈরমখি হায়রি। অনন্দা গোপাল গাঙ্গুলি কৌবা মীওই অদু অয়ুক্কী লাই খুরুম্বা চৎখিবদা থীবা খঙলকখিদ্রবা মতুংদা ৱেষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট জেনিদাগী নোলদাঙ্গা ভীলেজদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম মনাক্তা অশিবা হকচাং ওইনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। মীহাৎ অদু খুদক্তা ক্লেম তৌরকখিবা লৈত্রবসু হন্দক্তা এক্সত্রিমিষ্টশিংনা চথখিবা অতৈ মীহাৎশিংগা মান্নবগী মওং উই হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোকখি।



HL-B/3096/18/05-17/05

# EMPLOYMENT NEWS

### HIMACHAL PRADESH – HP FOREST RECRUITMENT 2016 – 465 FOREST GUARD VACANCY – LAST DATE 14 JULY

**HP Forest Recruitment 2016**

Himachal Pradesh Forest Department invites Application for the post of 465 Forest Guard on contract basis. Apply before 14 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Forest Guard
**No of Vacancy :** 465 Posts
**Eligible Criteria for HP Forest Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates must possess 10+2 Examination pass from recognized Board.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As per HP Forest Rules.
**Job Location :** Himachal Pradesh
**How to Apply HP Forest Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents send to related Circles as per Official Notification on or before 14 July 2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission Of Application :** 14.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://hpforest.nic.in/files/Forest%20Guard%20Recuritment.pdf

### OFFICE OF THE DISTRICT JUDGE, NILGRIS – E-COURTS RECRUITMENT 2016 – 56 STENO-TYPIST, OFFICE ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 24 JUNE

**e- Courts Recruitment 2016**

Office of the District Judge, Nilgris invites Application for the post of 56 Steno-Typist, Office Assistant & Various Vacancies. Apply before 24 June 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Steno-Typist
**No of Vacancy :** 05 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2800/-
**Post Name :** Office Assistant
**No of Vacancy :** 17 Posts
**Pay Scale :** Rs. 4500-10000/-
**Grade Pay :** Rs. 1300/-
**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Steno-Typist :** SSLC passed. Must have passed the Government Technical Examination both in Typewriting and in Shorthand.
**For Office Assistant :** VIII Passed.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 30 years As on 01.06.2016
**Job Location :** The Nilgiris (Tamilnadu)
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested copies of certificates & Document send to Office Of the District Judge, Udhagamandalam-643001, The Nilgiris District, Tamilnadu on or before 24.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 24.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://ecourts.gov.in/sites/default/files/RECRUITMENT%20%20IN%20ENGLISH.pdf

### e- COURTS RECRUITMENT – 08 STENOGRAPHER & SALARIED AMIN VACANCY – LAST DATE 22 JUNE 2016

Office of the District Judge, Mayurbhanj invites Application for the post of 08 Stenographer Grade-III & Salaried Amin. Apply before 22 June 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Stenographer Grade-III
**No of Vacancy :** 07 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2400/-
**Post Name :** Salaried Amin
**No of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2000/-
**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Stenographer :** Candidates must have passed +2 examination conducted by the council constituted under section 3 of the Orissa Higher Secondary Education Act 1982. Diploma in Computer Training from a recognized Institute.
**For Salaried Amin :** Matriculation or equivalent form a recognized board
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 32 years As on 22.06.2016
**Job Location :** Mayurbhanj (Odisha)
**Selection Process :** Selection Will be Made on Written Test, Practical Test & viva voce Test
**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.100/- through Challan under the Head 0070 other Administrative Services-01-Administration of Justice-501-services & service fees-9904650-Law Department-9916730-examination fees for recruitment conducted by orissa District & subordinate court. No Fee For SC/ST Candidates.
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested copies of certificates & Document send to Office Of the District Judge, Mayurbhanj, Po/At-Baripada on or before 22.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 22.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Doc112.pdf

### e- COURTS RECRUITMENT – 46 JR CLERK CUM COPYIST, JR STENOGRAPHER & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 15 JUNE 2016

Office of the District Judge, Puri invites Application for the post of 46 Jr Clerk cum Copyist, Jr Stenographer & Various Vacancies. Apply before 15 June 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Jr Clerk cum Copyist
**No of Vacancy :** 30 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 1900/-
**Post Name :** Jr Stenographer
**No of Vacancy :** 10 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2400/-
**Eligibility Criteria for e- Courts Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidates must have passed +2 examination conducted by the council constituted under section 3 of the Orissa Higher Secondary Education Act 1982. Diploma in Computer Training from a recognized Institute.
Nationality : Indian
**Age Limit :** 18 to 32 years As on 15.06.2016
**Job Location :** Puri (Odisha)
**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.100/- through Challan under the Head 0070 other Administrative Services-01-Administration of Justice-501-services & service fees-9904650-Law Deptt-9916730 . No Fee For SC/ST Candidates.
**How to Apply e- Courts Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested copies of certificates & Document send to Office Of the Registrar, Civil Courts, Puri on or before 15.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 15.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Recruitment%202016.pdf